# এম য়ুগী ওজা কাঙুজম য়ুগিন্দ্রোগী মমল য়াম্লবা ৱারোলশিং

## (কুকিশিংনা গোদ ফাদর ওইনা লৌনরিবা বর্ম্মা/ম্যান্মারদা পোকখিবা মীশক অমনা মরম ওইরগা মীতৈ কম্যুনিটিনা ইন্দিয়াগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহৌদবনি)

**- সৌবাম বিরধজ -**

**মণিপুরনা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌখিবসি কুকিগী গোদ ফাদর অমননি হায়না ওজা য়ুগিন্দ্রোনা হায়রি :** মহাক্না 'কুকি-ইনপি' গী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইনা হৌখিবা কুমজা ১৯৪৬তগী লীংখৎখিবনি। মহাক্না কুকি নেশনল এসেম্ব্লি ফাউন্দর সেক্রেটরি ওইদুনা চহী অদুমক্তদা লীংখৎখিবনি। মদুগী মমাঙ মতমদগী কুকি হোমলেন্দগী মঙলান শাগৎখ্রবনি। মহাক্কী য়াম্না হৈশিংবা মতৌদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না 'দেপ্যুটি কলেক্টর' গী ফম পুহনখিবনি। মতমদুগী দেপ্যুটি কলেক্টর হায়বসি য়াম্না চাউখ্রে, মহাক্কী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর অমখক্তং লৈরিবনি। ৱাফমশিং অসি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী ওবিচ্যুরিদসু ফোঙখ্রবনি। মসিগী মতুংদা মহাক আই এ এস ফংখ্রে অমসুং হোমগী থবকশিং পায়খ্রবনি। মহাক্না কুমজা ১৯৬০দা এম এল আর এক্ট অসি শেমখিবনি। অসিগুম্লবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফমশিংসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা কাঙুজম য়ুগিন্দ্রোগী ইন্টরভিয়ুগী পাউখুমশিংনি হায়না থমজরি। মীশক অসি বর্ম্মা/ম্যান্মারদা পোকখিবনি। মহাক্না হেক পোকমিন্নবা মনাওনুপা থাংখোপাও কিপগেন হৌখিবা কুমজা ১৯২০গী মার্চ ৩দা ইম্ফালদা পোকখি। থাংখোপাও কিপগেন মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট কয়ামরুমগী মকোক থোংবা থবক কয়ামরুম পায়রল্লগা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬তা থবক্তগী পোথাখি। কাঙুজম য়ুগিন্দ্রো এম য়ুগী ফিজিক্সকী ওজা ওইজরবসু হিষ্ট্রিগী মরমদা মমুৎ তানা নৈনবা অমসুং হৌজিক হৌজিক্কী মণিপুরগী থোক্লিবা থৌদোকসিগী মতাংদা ওজাসিনা থাংখোপাও কিপগেন অমসুং মহাক্কী ময়াম্বা কুকিশিংগী গোদ ফাদর অসিগী মরমদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিংগী মরক্তগী খরদং লৌখৎচরি, য়েংমিন্নসি, খঙমিন্নসি।

**কাঙুজম য়ুগিন্দ্রোগী মমল য়াম্লবা ৱারোলশিংগী মরক্তগী খরদং লৌখৎচরি :** (১) মণিপুরদা বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদা মীতৈ, নাগা, কুকি, গাড়ো ত্রাইবশিং পূম্নমক য়াম্না নুংশিননা লৈমিন্নরমখি। কুমজা ১৯৫১গী ওক্টোবর ২০দা ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্ট অসি থোকখিবনি। হান্নদগী মণিপুর অসি ইন-হেবিটেন্ট (য়েলহৌঙৈগী য়েলহৌমী), কম্যুনিটি খুদিংমক সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইগদৌবনি হায়দনা লৈরিবনি। ইন্দিয়াদা চৎনরিবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না আর্টিকল ৩৪০গী মখাদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্ট অসিদা মীতৈসু মশানা চঞ্জদুনা লৈরবা অমসুং সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী ক্রাইটেরিয়াগী মনুং চন্দুনা লৈরিবনি। অদুম ওইনমক মীতৈশিংনা তম্পাক্কী লমদমদা লৈরুবা লোয়নননা হিন্দু ধর্ম্ম চৎলুবদগী ঐখোয় মীতৈ কম্যুনিটিনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহৌদবনি। মসিগী খ্বাইদগী চাউবা মরমদি মতমদুদা ম্যান্মারদগী মণিপুরদা লাকখিবা য়াম্না হৈ-শিংবা কুকি মচা অমগী খুজিল থৌরাংননি। (২) কুকি মচাদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগী 'কবো তম্পাক' অসি মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী মফমদা বর্ম্মা অমসুং ইন্দিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা/চেৎশিন্নবা মরী থম্নবগীদমক লোবি তৌখিবনি। নেহরুনসু মতমদুদা চাইনাদগী হেন্না অফবা মরী থম্নবগী ৱাখল্লোন্দা বর্ম্মা লৈবাক্তা মণিপুরগী 'কবো তম্পাক' অসি বর্ম্মাদা পীথোকখিবনি হায়রি। মসি পূম্নমক মখোয়গী ইমুং মনুংনা ফোঙদোকখিবা ওবির্চ্যুরিদা য়াওখ্রবনি। (৩) মণিপুরগী তম্পাক্কী লম অসি মতমদুদগী প্রোটেক্টেদ এরিয়া ওইদ্রদুনা ইন্দিয়াগী ফূরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্না লম লৈবা, খুন্দাবা য়াবদগী পীকখ্রবা মণিপুরগী অপূনবগী ৮% তম্পাক্কী লমদম অসিদা লম লৈদুনা কম্যুনিটি খুদিংমক্না তম্পাক্তা খুন্দাশিল্লকপনি। য়েলহৌঙৈগী য়েলহৌমী মীতৈ ঐখোয়নসু মমল অহেনবা পাম্লুবদগী মীতৈ নত্তবা কম্যুনিটিদা লম য়োন্থোকখিবসিনা হৌজিক্কী ফীভমসি ওইরক্লিবনি। (৪) মণিপুরগী ক্রোনিকল হিষ্ট্রিদা য়াওরিবা নোংদা লাইরেন পাখঙবা হায়রিবসি কুকি কম্যুনিটি কাঙলূপনি হায়না মীশক অসিনা হায়জিল্লগা মখোয়গী কুকি এঙলো ৱার ১৯১৭-১৯১৯দা কুকিশিংনা শেল য়াম্না চঙনা লাইরিক ওইনা ফোঙলিবনি। লাইরিক্তুদা য়াওরিবা/ইরিবশিং অরানবা ঙাক্তনি হায়বসিনি। (৫) চিনচিন হায়বসি বর্ম্মা/ম্যান্মারদা কুকি হায়রিবা কাঙলূপসিনি। ম্যান্মারদদি চিন হায়বা ফূরুপসি সিটিজেনশিপ ফংবজাৎ নত্তে, মণিপুরদা লাক্লগা ইরায় লায়না সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী অচৌ-অচৌবা স্কোলরশিপ ফংদুনা ইন্দিয়াগী অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংদা লাইরিক তমদুনা আই এ এস/আই পি এস ফংদুনা মণিপুরগী অচৌবা পুলিস অমসুং সেক্রেটরিশিং ওইদুনা পাল্লিবনি। (৬) তঙাইফদনা মীতৈ কম্যুনিটিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহৌদবা য়াদবনি নৎত্রবদি চহী খরগী মতুংদা মীতৈ হায়বা কাঙলূপ অসি শোয়দনা মুৎখ্রগনি হায়বসিনি। (৭) কুকিশিংনা শাগৎলিবা থৌরাং পূম্নমক শাশিন্নবা ঙাক্তনি, কৈদৌঙৈদসু কুকিশিংগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন ফংবা ওইথোক্তবনি। ঐখোয়গী লৈজরিবা ক্রোনিকল হিষ্ট্রিদা য়াওরিবা অশেংবা পূম্নমকসিনা কুকিশিংগী শাশিন্নবা পূম্নমক ককথৎননবা মচাকশিং পীক থন্না লৈ, ঐখোয়গী অপূনবগী শক্তিনা পূম্নমক থেংনবা ঙমগনি হায়বসিনি। (৮) খ্বাইদগী অরাইবা থৌদাংদি ঐখোয় লিংজেল মান্নবা অমসুং ঐখোয়গী লৈঙাক্তা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চন্নবগী রেকমেন্দে তৌহনবা/অথুবা মতমদা তৌননবা য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চল্লবতদা ঐখোয়গী সেফগর্দ ওইগদৌবনি হায়বসিনি। মসিগুম্লবা মমল য়াম্লবা ৱাফমশিং থম্বীবগীদমক ওজা কাঙুজম য়ুগিন্দ্রোবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

**ইন্দিয়ানা মনীং-মখা তম্লবা মতুংদা ডা. অম্বেদকরনা অহানবদা খল্লম্বা ৱাখল্লোন :** মতমদুগী ইন্দিয়াগী লুচিংবা অমা ওইরিবা ডা. অম্বেদকরনা মতমদুদা খনখিবসি চহী ১০/১০ লৈরগদি সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চল্লিবা কম্যুনিটি পূম্নমক চাওখৎপগী চাং য়াম্না ৱাংলগনি হায়বসিনি। মহাক্না শোত্থদুনা লৈরিবা কম্যুনিটি পূম্নমক চাং মান্নরগনি অমসুং চাং মান্নরবা মতমদা অমুক হন্না সেদ্যুল্ড ত্রাইব অসি লৌথোক্কে খল্লম্বা জাৎনি। অদুম ওইনমক সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চনখ্রবা কম্যুনিটি পূম্নমক্না অদুম মথং-মথং ডা. অম্বেদকরনা লৈখিদ্রবা মতুংদা মখা অদুম চত্থখিবদগী হৌজিক্তি পার্মিনেন্ট ওইখ্রবনি। হৌজিক্কী মতমদদি সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চনখ্রবা কম্যুনিটি পূম্নমক্না, সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহৌদ্রবা মীতৈ কম্যুনিটিদগী হীরম খুদিংমক্তা খুদোংচাবা ফংখ্রবনি। মণিপুরগী পোলিটিক্স তৌরিবশিংনসু মখোয়গী মচা-মশুদি ক্রিমি লায়রগী থাক্তগী হেনখিবনা (ও বি সী) ষ্টেটসসু ফংলোইদৌবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চন্ননবগী রিপোর্ট থাদ্রিবনি হায়না ওজা অসিনা কন্না হায়রিবনি। পূম্নমকসি ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা খোঙফম চেৎনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনগদৌবনি হায়বসিনি।

**লাইবক্কী নোংদম অমসুং শিবা কিদবদগী শেল পায়খিবা মীওইশিংনা লীরম্বা ৱারী খরা :** মমাঙঙৈ মতমদা শেল পায়খিবসি চীংনুং মান্নুংদা শিবা কিদনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা ঠিকাদার ওইনা থবকশিং লৌদুনা শূখিবশিং অমসুং করবার তৌখিবশিংগী মরক্তা (১) থোঙ্গ্রাম হরিদাস খৌপুম দাম শাবদা শেল পায়খি। (২) ওক্রম চুথেক্তগী ওক্রম চাউবা ঠিকাদার ওইনা শেল য়াম্না পায়খি। (৩) আগোর গুল্লাব করবার তৌবদা মরাইবক থম্বাল শাৎখিবা ঙাক্তনি হায়না মখোয়গী মতমদা থবক শূবা য়াওরুবা/মোহোরি ওইনা য়াওরুবা অমনা অসুম্না ৱারী লীরমখি। মমিং পঞ্জররোই, মহাক্না হায়বদা খৌপুম তুরেলগী মরীলদা ঠিকাদারগী মতুং ইন্দুনা থবক শূবা চৎপা য়াওখি। মফমদুগী থবক শূফমগী খোল্লাদা লৈরিবা শিন্মীশিংনা থা ১/২গী চাননবা পূম্নমক ইম্ফালদগী ত্রক অমসুং জীপ্তা পুশিল্লীবনি। গাড়ীনা য়ৌশিনবা ঙমদবা মফম, তুরেলগী মরীলদা হিজাও অনী খাবক লাকশিল্লগা তুরেলদু লান্থোক্লগা অমুক তুরেলগী ঈচেলদুদা তাওথরিবনি। হিদু হোনবা নত্তে। তুরেল মপান্দা থৌরীনা খুঞ্জাশিংনা অসুম অসুম চীংদুনা পুরিবনি। খৌপুম লমদমগী হি মপু মখোয় অহুমদুগী মনুংদা অমখক্তং মীতৈলোল কাবক-শাবক থোকপা অমা য়াওই, অনী অমদি মীতৈলোল করিমত্তা খঙদে। খুঞ্জাশিংদুসু মীতৈলোল অমত্তা খঙদে। মীতৈলোল কাবক-শাবক থোকপদুনা মখোয়গী লীদরনি। মখোয়গী মখ্বাংদা মখুম পানবা সিলভরগী তেকসিগুম্বা অমদা য়ু পিক থন্না হাপ্লগা য়াল্লিবনি। মদু মখোয়না পোত্থাবা মতমদা থক্লনবনি। হিদুদা ঐখোয় মীতৈ মচা ৬ তোংলিবনি, ঐখোয়সু ৱারদুনা মখোয়না থক্লিবদু খরা থক্কে হায়রম্মী। মখোয় অহানবদা খুমদে, ঙাইহাক লৈরগা মীতৈলোল থোকপা চীংমীদুনা ঐখোয়দা তেকসি অমা পীরকই, মদু ঐখোয় ৬না থক্লম্মী। থকপা লোইরগা ঐখোয়না শেল কয়ানো শেল পীরগে হায়না শেল লৌথোক্লগা মঙোন্দা পী। মহাক্না শেলদু লৌ হায়বা য়াদে। মীতৈলোল কাবক-শাবক্তং থোকপনিনা মহাক্না হায়নীংলিবদু হেক্তা হায়দোকপা ঙমদে। শেল লৌরোই, চেঙ-হৱাই, থাওদু খরা পীয়ু হায়না খুদোম্বী থিল্লদুনা হায়রকখি। ঐখোয়নসু মহাক্কী ইঙ্গিৎতু খঙলদুনা মখোয়গী অপাম্বদু খরা পীরম্লগা ঐখোয়গী লমথুংফমদা লৈহৌরে। ঐখোয়না পুরকপা পোৎশিং লৌথরম্লগা মখোয়সু অমুক তুরেলগী ঈচেলদুদা তুরেল মপানগী খুঞ্জাশিংদুনা হিদু চীংল-চীংলদুনা চৎখিরম্মী।

পুং ২মুক লৈরগা খুলদুগী নিংথৌদুগা লোয়নননা থাঙ-তা অশাংবা ময়াম পায়রদুনা হিদুদা মখোয় ১২/১৩ মুক লাক্লগা ঐখোয়বু কোইশিল্লগা খুল্লাকপা নিংথৌদুনা মীতৈলোলদা হায়রকখি, নখোয়না ঐগী মীদগী য়ু মুল্লগা থকপরা? নখোয় ঐখোয়গী খুলদা লাক্লগা ঐখোয়বু উশিত্তবরা হায়না ঐখোয়দা হংলম্মী। ঐখোয়দি কিবনা কল্লাক নীক্লবনি। ঐখোয়গী ঠিকাদারদুনা তপ্না ঈংনা খুল্লাকপা নিংথৌদুদা, ঐখোয়সু ৱারদুনা হীদাক্তু ঐখোয়সু খরা থক্কে হায়জবনি, শেল কয়া তারবগে হংবদা শেল লৌরোই হায়না ইঙ্গিৎ তৌরদুনা চেঙ-হৱাইনচিংবা খরা পীননবা হায়রকখিবনি। মদুদা ঐখোয়না চেঙ-হৱাই, থাওনচিংবা খরা পীরম্বনি হায়না খুম্বদগী খুল্লাকপা নিংথৌদুনা মতুংদদি অদুম্না তৌগনু, ঐখোয় কুকি/খোংজাইশিংবু উশিত্তবরা? উশিৎত্রবদি নখোয় নঙক কেনগনি হায়রম্লগা চৎখিরম্মী। য়েৎ থংবা নাকন্দা য়েপ্লিবা মখুম পানবা থাঙপাকশিং অমসুং ইল্লিবা ফিজোলদুনা খোংজাই/কুকিশিংনি হায়বদু তপ্না-তপ্না ৱাখল তারকখি। অসুম্না চীংনুং মানুংদা শিবা কিদনা ঠিকাদারগী শিনফমদা শেল তান্দুনা শেল পায়রকখিবা মীওইশিংগী মরমদা ৱারীদু লীরম্বনি।

লুহোংবগী মঙানি চাক্নৌবা অমা চৎলুবদা ঙাইহাক্কী চাকঙাই ৱারী ওইনা কুকিশিংগা মরী লৈননা লীরকখিবা ৱারীনি। মতমদুদা কুকি (খোংজাই) শিংনা খ্বাইদগী কিবসি "নাগা হোষ্টাইল" (থ্রী নোট থ্রী) অমসুং দবল বেরেল পায়বা নাগাশিং অমসুং মণিপুর রাইফলশিংনি হায়বসিনি। মখোয়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সিফাই লান্মী অসাম রাইফলশিং থেংনরবদি মখোয়না মগ অমসুং প্লেটনচিংবা পীয়ু হায়বদা হেক্তা পীরম্মী হায়না য়াম্না হরাওরম্মী। ঠিকাদারদুগী মোহোরিনা হায়বদা মফমদুদা লৈরম্বা কুকিশিংদুনা মখোয়না থারম্বা মহৈ-মরোং, মনা-মশিংশিংদু থা ১/২গী তুংদা হিংলম্লবদি মফমদুদা মখোয়না অমুক খুন্দাগনি, করিগুম্বা পাম্বীশিং অদু শিরম্লবদি মখোয় খুল অদু থাদোক্লগা মফম অমদা অমুক খুল হোংখিগনি, মসি কুকিশিংগী মহৌশাদগী হৈনবীনি হায়না ৱারীদু লীরমখিবনি।

অইবনা থমজনীংলিবদি, অখঙ-অহৈশিংনা মতম-মতমগী পুথোরক্লিবা অচুম্বা-অশেংবা পূম্নমক লৈঙাক্না থবক ওইনা পাঙথোকউ হায়না ঐখোয় মীয়াম্না অপূনবা শক্তিগা লোয়নননা পূন্না থেংনগদৌবনি হায়বসিনি। ●

# ষণ হুরানবদুগী মচানিদা

**- খোইস্নাম খিরেন মীতৈ -**

নোংমৈ কিখিদবী, মচাশিংগীদমক থৱায় থাদোকপা পাম্মুখিদবী, মালেম পূম্বনা মশক খঙখিবী, ইমাশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎলবা মতুংদা মখোয়গুম্বা ইমাশিংদু হৌজিক ফাওবা লৈরম্লবদি হায়দুনা পূক্নিং শোন্থরিবা মচা ঐগা নঙগসিবু মতমদুগী ইমাশিংদুনা পোকপীবা মচাশিংদুগা মান্নরমগদ্রা? মান্নরমগনি হায়বসি ঐতদি শুকথা হেক থাজদ্রে। ইশাগী থবক পাঙথোকপা ঙমদ্রগা ইমাদা তাইনবসিনা ইমুংদা য়াম্না হৌনা-হৌনা লাউনা-লাউনা মমিৎ-মনা শংদোক্তুনা ৱা ঙাঙনবা, মাবু ফূবিরোইদবা মফমদা থৌনা ফবা মচাশিংনা য়াম্না তৌনৈ। ইমানা তৌগদবা থবক্তু ঐনা পাঙথোক্লুগে হায়দুনা থোকখিবা মচাসিনা পীশক পীক্লিঙৈদা নীংঙাই য়াম্না তৌরকপা, চাউরক্লগা ৱা কয়া ঙাঙগন্দবা, ৱাখল য়াম্না খনবা ঙম্বা মচাশিংনা ওইগল্লি। কন থৌরবা বৃটিশকা মায়োক্নবদা অকিবা মচেৎ অমত্তা য়াওখিদবী ইমাশিংদো অচুম্বা মশক খঙবদগীনি হায়দুনা অহলশিংনা হায়বী। মতমদুদা অচুম্বসি অমতং লৈরম্বা তাই। অদুনা য়ূমথোঙ খুদিংদা লৈবা ইমাশিং অমত্তা ওইনা লীংজেল মান্ননা য়েক্নবা বৃটিশকা মায়োক্নখি। হৌজিক্তি অচুম্বসি অনী/অহুম শুরে। অদুনা ইমাশিংসু কাঙলূপ অনী/অহুম/মরি... থোক্লে। মচাগী কাঙলূপসু চপ মান্নে। মচাসু অনী/অহুম/মরি/মঙা... হায়দুনা মশীং য়ামখৎলকপা লেপত্রি। অচুম্বা মশীং হেনগৎলক্লি। হৌজিক হিংজরিবা মচা ঐখোয়গী অমতং ওইবা ৱাখল্লোন হায়রগদি - মানা ঐঙোন্দগী করি হেল্লদনা হায়বসি মঙাইরে। অসিগুম্বা ঐখোয় ময়ামসে এরোপ্লেন অমত্তদা পূন্না তোংমিন্নরগা অমগা-অমগা লেম্বা তান্নদুনা মীৎকা পৈনা-পৈনা য়েংনরি। নোংথক্তা পাইবা এরোপ্লেননা ইঞ্জিন য়ারক্তদুনা কাইরক্লবদি থৌনা ফবা ঐখোয় কনা-কনা লৈহৌগদগে?

ঙরাং নুপীলানগী থৌরম পাঙথোকখিবতা ঙাইরিবনিনা ঙসি হয়েং ফাওবদি ঐখোয় থৌনা খরা হেন্না লৈগদবা মাল্লি। করি থবক্তা থৌনা শীজিন্নসিগে হায়বা খঙদ্রবসু ৱারীদদি থৌনা লৈবগী ৱারী খরা লীনখিগনি নীংজে। তাঞ্জাসিদা ঐগীসু থৌনা ফবগী ৱারী অমত্তং লীজহৌগে। ঐবু পোকপীবা ইপাবু পোকপীবী ঐগীদি ইবোক্তো মীওই-মীতৌ চাউ শাংই। মমান্নবীনা কুম্বদা খ্বাং য়ৌবা পৃথিগী



ঈশিংদু ঐখোয়গী ইবোক্তদি খুগী মথক খিতং লানখৎলি। হূইনা মঙোন্দা খোংলকপদা মমীৎনা হন্না য়েংদে। হূইনা তন্দুনা লেপ্লগা য়েংদুনা লৈহৌই। মশাদা অকিবা অমত্তা লৈতনা মখোঙ গম-গম থাংদুনা চৎলি। মবুং অহল মৈনো মুক্না যাত্রানি। ক্ষেত্রি শাগৈনি, ক্ষেত্রিময়ূমনি। মীনা লাকচবা য়াদে। ৱারী মতেকসি লীজবগী মরমদি ঐখোয়গী ইমুংদা হৌজিক মশা-মউ তিক-তিক লাউনা ৱাং চাউবা য়াওদ্রে হায়জবনি। ঐখোয়গী মীতৈ নুপাদি খুদুপ তরেৎ শেৎপনি (খুদৈ) হায়দুনা পোঙনা চাউনা ৱারী লীনরিবসি হৌজিক ঐখোয় খুদুপ মরিগী খুদৈ নামৈ থারগা শেৎলে হায়বনি।

হৌজিক হৌজিক হিংলিবা থৌনা ফবী ইমাশিংগী হৌজিক-হৌজিক হিংলিবা থৌনা ফবা মচাশিং অচুম্বা অনীশুবদগী মীতৈগা মীতৈগা লান শোক্লরে। মীতৈগা মীতৈগা লান শোক্লবদা কনানা লান ঙমগনি। কুকি কাঙবুনদি কৈদৌনুংদা ঙল্লোই। হাওকিপনসু মপুন্সিগী মায় পাক্লোই। মীতৈনা শোয়দনা লান মায় পাক্কনি। মণিপুর ইমানা য়াইফরে। মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই। মীতৈদি মবুক চাউবনি। ঈরাংসি হৌরকপদা ঐখোয় মীয়াম্না ৱাখল তাদবদগী কুকিনা মীতৈ হাৎপা ওইনা খন্নরম্বনি। হৌজিক্তি চহী অমা মখায় হেন্না লান শোক্লরক্লবনিনা মীয়ামসু ৱাখল তারক্লে। অদুনা ঐখোয় মশেল নাকল অনী খাইদোক্লরগা হৌজিক পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাকসিমুক মতিক চাবা, মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা লৈঙাক অমত্তা লৈখিদ্রি হায়বা কাঙবুগা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিমুক মথিবোং পান্দবা, ইকায় খঙদবা লৈঙাক অমত্তা লৈখিদ্রি হায়বা কাঙবুগা শোক্লবা লান ওইরক্লে। লান অসিনা ঐখোয় মীয়াম্বু নুংঙাইবা পূন্সি মহিং অমা পীগদৌরিবনি। তুং কোইনা ঈং-তপ্না পানবা ইরমদম অমা ওইহনগদৌরিবনি। ঐখোয় খুদিংমকসি ইচা লোইনা নুংশিবা ঙাক্তনিনা ঐখোয় মীতৈ মশেলদা কাঙলূপ অনী খায়দোক্লরগা শোক্লরিবা লানসিসু ইচাশিংগী তুংগী খল্লগনি। ইচাশিংগী তুংগী খল্লুরগা ঙসিগী লৈঙাকসি মশক য়াম্না ফজৈ হায়গে তৌবদা ঐনা নীংশিংজরকপসি - মচানা জগোয় কাতু-কারন তান-মেন চাদনা শারফাওবদা য়েংলিবা মীয়ামদুগী মতুংদা ফি অমনা মকোক খুমজিল্লগা অঙাংদুগী মপাদুনা - কনাগী মচানো মশক্না মশক ফজরিবা, জগোয়না জগোয় হৈরিবা হায়রুবদা নাকন্দগী নুপা অমনা - ষণ হুরানবা অমা লৈবদুগী মচাদুনি হায়রকই হায়বদুনি। ষণ হুরানববু ওইনীংবা মীসু লৈরিব্রা? ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩ গী ৱাহং

১) **"কবি অমগী পূন্সি ৱারী"** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মনুংদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌবগে অমদি অইবা অসি কনানো?

২) **"মণিপুরগী শুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) "Bard's Last Litany" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তুগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) **"লীপূন চেৎনা"** হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **'সাহিত্য করিনো খঙদনা ইথোকপনা হাল্লুরে, অদুবু সাহিত্য করিনো খঙলকপদদি মহাক্কী পাক চাওরবা ঈপাক্তা ঐ ঈরাক্লরে..."** ৱাহৈ পরেং মতেক অসি রেদিও সেরিয়েল প্লে অমগী ফোঙখ্রবা লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**ষ্টেটকী পাউ**

## নুপীলাল নুমিৎকা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে





**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):** নুপীলালগী ৮৫শুবা নীংশিং নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ময়াই য়ুন্ফম খুমন কংলৈ অপুনবা ঈতিনফম (এম ৱাই কে কে এ ঈ)না শীন্দুনা পাংথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেথমেটিক্স এন্দ সাইন্স কম্পিটিশন ২০২৪দা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ময়াং ইম্ফালদা লৈবা প্রভাবতি কোলেজ ফিজিকেল এদুকেশনগী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ক্লাস ফাইবতগী সিক্স ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয় ১৮৫ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চাংদম্ন বা অদুগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা সার্টিফিকেট অমদি শেলগী মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা কোংখাম মংলেমনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইখিবগা লোয়নননা রাকেশ মোইরাংথেমনা অখন্নবা মীথুংলেন অমদি থৌরম মপুনা চনম্বম কোকলৈনা ওইখি।

## শ্রীগোবিন্দজি টেম্পলদা রাসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):** কুমজা ১৯৭৯দা মহারাজা ভৈগ্যচন্দ্রগী মতমদা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি লেংশিনখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা শ্রীশ্রী রাসেসোরি পালা মরুপনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল কমপ্লেক্সতা ঙসি রাসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তন পাঙথোকখ্রে।

শ্রীশ্রী গোবিন্দজি লেংশিনখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা মৈহৌরোলদগী চহী খুদিংগী পোইনুগী ১২নি পানবা নুমিৎতা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি।



ঙসি উৎখিবা রসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তন অসি আর কে তম্ফাসনানা লুচিংখিবগা লোয়নননা থোকচোম নিংঙোল তিলোতমা অমসুং ৱাহেংবম নিংঙোল ইবেমহল অনীনা দুহার অমসুং খোমবাংবী ওইনা শরুক য়াখি। রাসেসোরি পালা অসিদা মাইবম মাইপাক অমসুং ৱাইখোম নোংদ্রেনখোম্বনা পুং য়ৈখি।

ঙসি উৎখিবা রাসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তন অদু কর্তা ভৈগ্যচন্দ্রগী মচা মশুশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা নুপা পালাসু উৎখি।

কুমজা ১৯৭২দা গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ হৌদোকখিবা মতমদগী রাসেসোরি পালা মরুপ্না লিক্লম কায়দনা চহী খুদিংগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী লাইমাংদা রাসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তন অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। রাসেসোরি পালা অসি শ্রীশ্রী গোবিন্দজিবু ইরাৎ থৌনি তৌজবা, নিংথৌ ভৈগ্যচন্দ্রগী মচানুপী রাজ কুমারি ভিমভাবতিনা হৌদোকখিবা অখন্নবা নুপীশিংগী সঙ্কীর্ত্তন অমনি।

রাসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তন অসি মণিপুরী কলচরবু তোপ তোপ্পা শিংথানিংঙাই ওইবা মশক তাক্লিবা পর্ফোমিং আর্ট অমনি। নিংথৌ ভৈগ্যচন্দ্রনা মহাক্কী মচানুপী রাজ কুমারী ভিমভাবতিনা হায়জরবগী মতুংইন্না রাসেসোরি পালা লিংখৎখিবনি। শ্রীশ্রী গোবিন্দজি লেংশিনখিবা মতমদুদা রাজকুমারী ভিমভাবতিনা রাসেসোরি (রাধা) গী শক্তম লাংখি।

মণিপুরগী নাৎ চংনবীবু মালেম মীয়ামগী মমাঙদা শক তাক্নবা হোৎনবদা রাসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তননা তোপ তোপ্পা থৌদাং লৌদুনা মণিপুরগী নাৎ চংনবী চাউখৎহনবদা নুপীশিংনা তোপ তোপ্পা থৌদাং অমা লৌই হায়বদু রাসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তননা ময়েক শেংনা উৎলি।

কুমজা ১৮৭৯দা রাসেসোরি পালা অসি হৌদোকখ্রবা মতুংদা নুপীশিংনা লাইনিং লাইশোনদা য়ুম্ফম ওইরগা সঙ্কীর্ত্তন অসি পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লম্মী অদুমকপু ঙসিদি রাসেসোরি পালা সঙ্কীর্ত্তন অসি ঙসিদি মণিপুরী পার্ফোমিং আর্টকী মরুওইবা শরুক অমা ওইরে হায়রি।

## য়ু এফ ও থাংমৈবন্দ ব্রাঞ্চকী ১৯শুবা রেজিং দে পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):** য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেশন (য়ু এফ ও) নোর্থ ৱেষ্ট হেদ ক্বার্টর নম্বর ১ কন্দাংবন্দ বট্টালিয়নগী মনুং চন্না লৈবা মৈতৈ হুইয়েন লাংলোন শিন্তম শঙলেন (সটজাল একাদেমী) য়ু এফ ও থাংমৈবন্দ ব্রাঞ্চগী ১৯শুবা রেজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ু এফ ও লিংখৎলম্বা ওজা লুচিং পুরেল আর কে মনিসনাগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়নননা য়ু এফ ওগী ১১৯শুবা ব্রাঞ্চ অমা ওইরিবা থাংমৈবন্দ ব্রাঞ্চগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সিনাম ইবোমচানা ইপুধৌ পাখংবা য়েকপা মালেমগী ফিরাল চিংখৎখি অমদি মালেমগী ফিরালগী মফমদসু য়ু এফ ওগী মেম্বরশিংনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা য়ু এফ ওগী সেক্রেটরি জেনরেল (হোম) লাইশ্রম লোইয়ুম্বা মৈতৈ, জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই বাবুলাল মৈতৈ, পব্লিসিটি জেনরেল সেক্রেটরি তোংব্রম ৱাংলেন মৈতৈ, কম্মানদর ৱাই চীংশাংলাকপা, বট্টালিয়ন সেক্রেটরিশিং, বট্টালিয়ন কম্মানদরশিং, ব্রাঞ্চকী মরুওইবা মীওইশিং অমদি মফম কয়াদগী লাকপা মেম্বরশিংনা রেজিং দেগী থৌরমদা শরুক য়াখি হায়রি।